

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*লন্দনদা পাঙথোকপা দাইমন্দ লীগকী অহৌবা নুমিৎকী নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা য়ুএসএগী এথলিট রোনি বেকর*

*আইএসএলগী টিম অমা ওইরিবা জমসেদপুর এফসিগী নৌনা কোচ ওইখ্রবা মমাঙদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদকী মেনেজর ওইরম্বা কেসর ফর্নান্দো জিমেনেজ*

## ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম অমসুং মিক্স পেয়র আর্চরশিংনা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংখ্রে

*বর্লিন, জুলাই ২১ঃ*

জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা চথরকপা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম অমসুং মিক্স পেয়রনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিমনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল রাউন্দদা ফ্রেঞ্চকী টিম্না শুপ্নগী পোইন্ট অমখক্তা মায়থিবা পীরম্বদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।



*আর্চরি ৱার্ল্ড কপগী সিলভর মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিম্না হরাওবা ফোঙদোকপা*

ফ্রান্সকী কম্পাউন্দ টিম ওইরিবা সোফি দোদেমোন্ট, অমেলি সানকেনোট অমসুং সান্দ্রা হর্ভনা থংন-থংননা সোট ৫ চপ চাবা টার্গেট পুন্দুনা পোইন্ট ১০।১০ ফংদুনা ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্নুনা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক পোইন্ট ইন্ন-ইন্নদুনা চলম্বনি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ফ্রান্সকী টিম অদুনা ফজবা হেনখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম ওইরিবা জ্যোতি সুরেখা ভেনাম, মুস্কান কিরার অমসুং দিভ্যা ধয়ালনা পোইন্ট ২২৮ ফংখিবদা ফ্রান্সকী কম্পাউন্দ টিম্না পোইন্ট ২২৯ ফংখিবনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৫ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা টর্কিগী কম্পাউন্দ টিম্বু পোইন্ট ২৩১-২২৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপনি।

নীংশিংবা য়াবদি অন্টালিয়া লেগকী ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম ওইখিবা জ্যোথি, মুস্কান অমসুং দিভ্যা ধয়াল চাইনিজ তাইপৈগী টিমগী মখূত্তা শুপ্নগী পোইন্ট ৩ দা মায়থিহৌখিবনি।

ঙসি অথেংবদা পাঙথোকখিবা মিক্স পেয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী আর্চর অভিসেক বর্ম অমসুং জ্যোথি সুরেখা ভেনামনা বেলজিয়মগী মিক্স পেয়র রেজিনাল্ড কুলস অমসুং সারা প্রিলসপু ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা পোইন্ট ১৫৮-১৫৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

বর্লিনগী আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী রিকর্ভ টিম ওইরিবা দিপিকা কুমারী, প্রোমিলা দাইমারি অমসুং অনকিটা ভগৎনা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা চাইনিজ তাইপৈগী টিম লৈ চিয়েন য়িং, পেং চিয়া মাও অমসুং টান য়া টিংগা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনগনি।

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা এসিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী কুনলাভুট ভিটিদসারনগা শান্নরগনি

*জাকর্টা, জুলাই ২১ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং জাকর্টাদা পাঙথোক্লিবা য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা এসিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ইন্দোনেসিয়াগী কুনলাভুট ভিটিদসারনগা লম্বা তৌনরগনি।



*এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রবা লক্ষ্য সেন*

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী ইখসান লিওনার্দো রুম্বেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জুনিয়র শান্নরোই ওইরিবা লক্ষ্য সেননা য়াম্না হেনবা মওংদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ইখসান লিওনার্দো রুম্বেবু ২১-৭ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা শোথরবা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ইখসান লিওনার্দো রুম্বেনা অনীশুবা গেম অদুদা লম্বা খরা পীরখ্রবসু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেননা ফজবা হেনখিবদগী ২১-১৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদু লোইখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেননা ফোঙদোকখিবদা ঐগী হৌজিক ওইরিবা মশান্না অসিদা অপেনবা পোকচৈ। হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেলদসু ফজবা মশান্না কয়া উৎতুনা টাইটল লৌনবা হোৎনগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেননা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা অহানবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই কুনলাভুট ভিটিদসারননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী য়ুপেং বাইবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীমক হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখিবদগী পোইন্ট ইন্ন-ইন্নদুনা লাকখ্রবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অদুনা ফজখিবদগী গেম অদু ২১-১৪ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দোনেসিয়াগী কুনলাভুট ভিটিদসারননা চাইনাগী শান্নরোই য়ুপেং বাইগী মশান্না অদু খঙখিবা মরম্না অনীশুবা গেম অদুদা হিরম খুদিংমক্তা হেনখিবদগী ২১-১২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা কুমজা ১৬৯৫ দা গৌতম থাকরনা নুপাগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০০৯ দা দবলসকী পেয়র প্রনভ চোপ্রা অমসুং প্রজাক্ত সাৱন্তনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কুমজা ২০১১ গী নুপাগী সিঙ্গলসতা সমির বর্মনা সিলভর অদুগা পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা গোল্ড মেডল লৌরবা মতুং সমির বর্মনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্না ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা ইন্দিয়ানা সেরিজ ২-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ২১ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা মেটচ ৩ গী টেষ্ট সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-০ দা মাঙজিল থাখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি।

খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই রুপিন্দর পালনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ন্যু জিলেন্দবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথরিবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ষ্টেফেন্স জেনিসনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা সিমরনজিৎ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরবসু মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মনিদপ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা পাও অমদা বেলজিয়মদা শান্নরিবা চহী ২৩ মখাগী ফাইভ নেসন্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী নুপাগী হোক্কি টিম নেদরলেন্দসকা পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৭ অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা মনিদপ মোরনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি। অমরোমদা নেদরলেন্সকী পাঞ্জল অনী অদুনা শান্নবগী অহানবা মিনটতা মার্লোননা চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা টিমমেট জিপ জানসেননা চনবা ঙমখি।

## ব্রিক্স য়ু-১৭ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ব্রাজিলনা ইন্দিয়াবু ৫-০ দা থোইখ্রে

*জোহেন্সবর্গ, জুলাই ২১ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী সিটি জোহেন্সবর্গতা চথরিবা ব্রিক্স য়ু-১৭ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ব্রাজিলনা ইন্দিয়াগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী টিম্বু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*য়ু-১৭ ব্রিক্স ফুটবোলদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম*

ব্রিক্স য়ু-১৭ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ৫ না শান্নবনি। লৈবাকশিং অদুদি ব্রাজিল, রুশিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকানি।

ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অনী য়াম্না ফজনা লৈখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু ব্রাজিলগী মায়োক্তা কাউন্টর এটেক কয়া তৌদুনা অমনা অমগী এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী পুংখায় অমা হেল্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ব্রাজিলগী চহী ১৭ মখাগী শান্নরোইশিং অদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ২-০ দা হেনখি। শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং ৮১শুবা মিনটতসু পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ব্রাজিলনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪-০ দা মাঙজিল থাখি।

ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ব্রাজিলনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়ানা ব্রিক্স য়ু-১৭ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচতা চাইনাগা লম্বা তৌনরগনি।

## বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা মেঞ্চেষ্টর সিটি থোইখ্রে

*চিকাগো, জুলাই ২১ঃ*

ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী অহৌবা মেটচতা জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী অহৌবা মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা মারিও গোটজেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০ দা থোইখি।

## সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই অনী চৌ টিয়েন চেন অমসুং সু জেন হাও থেংনরগনি

SINGAPORE BADMINTON OPEN 2018

*সিঙ্গাপোর সিটি, জুলাই ২১ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চথরিবা য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই অনী চৌ টিয়েন চেন অমসুং সু জেন হাও লম্বা তৌনরগনি।



*নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রবা চাইনিজ তাইপৈগী সু জেন হাও*

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী কিয়াও বিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১২, ১৮-২১, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ভিয়েটনামগী শান্নরোই ঙুয়েন টিয়েন মিনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৫, ২১-১১ দা থোইরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ জপানগী সায়াকা টাকাহসি অমসুং ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী গাও ফাংজৈ লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা সিদেদ জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী হাস য়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা চাইনাগী গাও ফাংজৈনা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৫, ১২-২১, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ জপানগী আয়াকা সাকুরামোটো অমসুং য়ুকিকো টাকাহাটানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র নামী মাটসুয়ামা অমসুং চিহারু সিদাগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী পেয়র আয়াকা সাকুরামোটো অমসুং য়ুকিকো টাকাহাটানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমসুং রাৱিন্দা প্রজোনজাইবু ২১-১৭, ২১-১৯ দা থোইরম্বনি।

অদুগা জপানগী অতোপ্পা পেয়র নামী অমসুং চিহারুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র ইসাবেল অমসুং কার্লাবু ২১-১৮, ১৭-২১, ২১-১৬ দা থোইরমখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী টোটোৱি অহমদ অমসুং লিলিয়ানা নাটসিরনা মালেসিয়াগী গো সুন অমসুং সেভোন জেমীগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোই জিভন নেদুনচেজিয়ান অমসুং দিভিজ সরন ন্যুপোর্ট এটিপি ইভেন্টতগী লৈহৌরে

*ন্যুপোর্ট, জুলাই ২১ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ন্যুপোর্টতা চথরিবা এটিপি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মায়থিহৌবদগী ইন্দিয়াগী জিভন নেদুনচেজিয়ান অমসুং দিভিজ সরন লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী জিভন নেদুনচেজিয়ান অমসুং ওষ্টিন ক্রেজিকেনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মার্সেলো এরেভালো অমসুং মিগুয়েল এঞ্জেলনা ৭-৫, ৫-৭, ১৩-১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী দিভিন সরন অমসুং জেক্সন ৱিথ্রোনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জোনাথন ইরলিচ অমসুং অর্টেম সিটাককী মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৩-৬, ৪-৬ দা মায়থিহৌখি।

ন্যুপোর্ট এটিপি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রামকুমার মহাক্কী কেরিয়রগী এটিপি সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙদুনা য়ুএসএগী শান্নরোই টিম স্মিকজেককা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা এটিপি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা থোইরম্বদগী রন্নর্স অপ তাখ্রবা ইন্দিয়াগী সোমদেভ দেভবর্মননা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অরোইবা শান্নরোই ওইরি।


**VEHICLE LOST**

My Honda Activa 4G (Imperial Red in colour) bearing registration no. MN01AD-8349, Engine No. JF50E75421692, Chasis No. ME4JF507LH7421663 which was parked under Locked and Key at the gate of Indoor Stadium of Khuman Lampak was stolen by some unknown person (s), on 23th July 2018 around 5pm to 7pm.

If someone came across the said vehicle please contact the undersigned or nearest Police Station.

Sd/-
NAOREM SHYAMSUNDER SINGH
S/o N. Ibochou Singh
Kongpal Khaidem Leikai, Imphal West
Mobile No. 9856212688

SL/3828/22



DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION, GOVERMENT OF MANIPUR, SANGAIPRHOU, IMPHAL-795001

**RFP NOTICE**

The Department of Consumer Affairs, Food & Public Distribution, Government of Manipur invites response from willing and eligible firms to Request for Proposal for Selection of System Integrator (SI) for Supply, Installation, Commissioning and Maintenance of ePOS Devices for Statewide Automation of Fair Price Shops (FPSs) under End to End Computerization of Public Distribution System in Manipur through tendering process for five years. The RFP can be download from www.manipurtenders.gov.in.

The RFP document containing " Pre Qualification Bid " and " Technical Bid " and "Financial Bid", complete in all respect should be submitted on or before 18th August, 2018 up to 3:00pm which will be open on 21st August, 2018 at 3:00pm.

Sd/-
Ranjan Yumnam
Director, CAF & PD
Manipur

SL/Bill(DIPR)/22